

*"আশা ময়াম অমা*
*লম্বোইরুরনী হায়দুনা লমজেল থারুরগা*
*কিদুনা অমুক হনজিল্লকই মিৎকুপ অমদা"*

*- রতন থিয়াম*

*(মাঙখ্রবা শহরগী লোইখ্রবা ৱারী*

## অহিংবা থৱায়

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐ হিংলি অহিংবা থৱায় ওইনা
অঙৈংবা, অশাবা ফাওরি,
কৈদৌঙৈ কয়াম কুইনা
ফাওখিগনি ঐ খঙদে।
নোংমদি ঐ শোয়দনা ওইখিগনি
থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংগী পোল্লাং
খোঙফমদা তীনখিগনি
ঐগী হকচাং পোলাংনা
চৎখিগনি ঐগী থৱায়না
অশিবা লমদম অদুদা।
হুন্দোক্লমদুনা তাইবঙপান্দা
থাদোক্লমদুনা মরুপ মপাং
ইমা ইপা পূন্নমক।
ঐ হিংলি
ঐ চারি থকলি,
অমম-অঙান খায়রিবা তাইবঙসিদা
হিংলি ঐ মী ওইনা
তাইবঙপান অসিদগী
নোংমদি চৎখিগনি কনানসু খঙদ্রবা
অৱা নুংঙাইগী মৈশা লাংদ্রবা লমদম অদুদা।
নোংমদি তুখিগনি
হৈপাল-লৈপালগুম
মতম মানা লাক্লবদা
লৈতে ঐগী চৎফম লম্বী
অশিবগী মোংফমদা
তিনখিবা নত্তনা।

## মণিপুর

**—খাইদেম বোরসিংহ**

নুংঙাইরে নুংঙাইরে মণিপুর
চেঙগী চাক্কী এঙ্গাংগী অৱাৎপা লৈত্রে।
লম্বীগী, ঈশিংগী, নুংশিৎকী
করিসু অৱাৎপা লৈত্রে
অদুবু ৱাৎলি করিগুম্বা অমা
লুপা অমা, অনী, অহুম
চেঙয়েন লৌনবা হোরেনগী
মাইনস তারে লায়রবা!!
ইচাশিংদি তূমহৌরি ফমুংদা
ঙরাং নহান্দগী চারক্তবগী
চহী ইতৎ তৎনা
করিসু হায়জবা ঙমদ্রে
অদুনা খঙদ্রে ঐসু করিমতা

## থাগৎপীয়ু

**—এম নিলকুমারি**

থাগৎপীয়ু মীয়ামগী মীখলদা
চোঙথোক চোঙশিন তৌজরোই
হঙোই তাংশাং ওনজরোই।

অঙম্বা লিলনা চাখিগনি
লিলহা তিন্নশিরা হঙোই
হোংদোক হোংজিন পামসিরা?
অকি তুজুং পোকচরোই
লান্মী ওইনা লৈজগে
সিফাই শিংলুপ কিজৈ
একাগাড়ীসু মাঙখ্রেদো মমিং ফাওবা কাউখ্রে
শেগায়রবা শাবল নমদা পো
তৎলবা ব্রেক্লা নাকন্দা য়েপ
ফোৎখিদ্রবা টিপ টায়র

মপু মাঙখ্রবা সাইকল
মচু হোংখ্রে য়েনখাদা তুহৌরে।
খাঙবা কল্লগা ফমেন ফমই
শায়বা কল্লগা ওইনমই
অসিতংদি য়াবিয়ু ৱাজাও খরা ঙাঙজগে
তৌগনি তৌরোই খঙহন্দ্রবা
পুন্সি অমগী তুংইঙ্গবনি

## ইঙেন লাইরেম্বী ইমা-ও

**—তোংব্রম শামুঙৌ**

ফজৈদকো নিংথিদকো
য়েংবগী পেনবা নাইদবী
ইমা নঙগী নশায়কোন
তেন্দোংয়ান লমলেন নুংশিবী।
ইমা নঙগী মিংলেনবু
ইঙেন লাইরেম্বী, মিঙ্গৌনবী।
কোনশিনবীয়ু নথানুংদা
লাপ্পা লৈরসু, নক্লা লৈরসু
নপারী নমোম ওইবশিং
অশাউ পরৈ চনবীদা
পঙলা তাইবঙ পুন্সি খোঙচৎতা
ফিজি ফিনানা শোকখিবা
নঙগী নতম্বাক্তা হিংজবা
চঙজরকপা নমু তাইবঙ ওইবশিং
অৱা অনা, তুরৈ-ঈরৈ চলহনবীনু
শোয়খি লানখিবা ঙাকপীয়ু।
হে! ইমা পুকতপ্পী

তাইবঙ শিন্থা পাঙবদা
অয়েৎ অপন লৈহনবীনু।
পীনবীয়ু পুন্সি শিন্থা
নুংঙাই য়াইফা মরাং কায়বা
ইমা কৌজগে তাইবঙনা
ইঙেন লাইরেম্বী ইমা-ও।

## চৎলসি মাঙদা

**—ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎ**

খাঙবা ৱারে পুঙমদ্রে ৱাখল
থক খা ওল্লে য়েংহৈদ্রে তাহৈদ্রে
য়ূমদাংবনা কৈনাবা খান্বী মৈৱায়বা
ঐখোয় মশেল চায়নবা
নুংদা নোক্লি মীয়ানচাশিংনা।

নিংথম কালেন খাইদনা
থবক শুরিবা মখোয়দগী
মুল্লগা চারি পুক থন্না
অকন অরিঙ শীংলি
উকুদা ফম্বা ঐখোয়না।

মখুল চঙদুনা য়েংলি তুমিন্না
বন্দ, ইকোনোমিক ব্লোকেদকী মীংদা
মৈ থাদোক্লি লম্বীদা লাকপা
মরাল লৈজদবা খুঞ্জাশিংগী হুমামলশিং
ৱাহং পাউহংবা লৈতনা।

খায়বা লেপতে অরাকপা গাড়ীদগী
লৈরুগনি কৈথেলদগী অৱাংবা মমলদা
য়ান্দ্রিবরা খুরায়দা থাংপাক্লা
অশিংবনি হায়সিরা থৌদৌসিবু।
ৱাঙাং খুদিং অহৈ শাবা
থবক খুদিং হৈবদা মানবা
লেঙমান্নবগা থেংনবদদি মায়থীগনি।

লৌশিংগী মথৌ খঙলসি
লম্বী লমফৈ চৎলগুমসি
হিংলসি মান্নবা খুন্নাইদা পূন্নমক
তোক্লসি বন্দ চৎলসি মাঙদা।

## লাংওন অমা

**—কুঞ্জো নাওরেম**

অসুম য়েংশিল্লুরগা মনুং হুৎনা
মীশিংসে
ওইরম্মী
মী।
মী ওইনা অদুম লৈরম্মী।
ঙরাংসু
ঙসিসু
মী ওইদুনা অদুম।
মী ওইনা অসুম হীংননবা
শেন্বীরকখিব্রা?
চক কয়া খাঙখিসিগে?
ঐদি উনিংদ্রে
হৈনদ্রে
ৱারে
চোকথর
মীগী চক থুপচিনহন্নিংলে
মীগী চক লোয়হন্নিংলে।

## দুপ্লিকেট


**—রাজেন্দ্র নাম্বিয়া**

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর
কংলৈপাক হায়রসু ময়াবা,
তৌনিংবতা তৌবা য়াবা লমদমনে
দুপ্লিকেটনা মরাং কায়বা লমলেননে
ওরিজিনেলনা মমি শামখ্রবা
কিরমাল্লে ওরিজিনেল, ইকায়রমালে
ওরিজিনেল
দুপ্লিকেটকী শহুমদা ৱাজরবা ওরিজিনেল।
অঙম-অথৌসু দুপ্লিকেট,
অকল-অথৌসু দুপ্লিকেট
ৱায়েন-চৈরাকসু দুপ্লিকেট,
মীফা-মীপুনসু দুপ্লিকেট
মন্ত্রি এম এল এসু দুপ্লিকেট,
অচৌ অশাংসু দুপ্লিকেট
থবক হাপ্পসু দুপ্লিকেট,
রিগুলর তারসু দুপ্লিকেট
প্রমোসন কারসু দুপ্লিকেট,
ওর্দর থোক্লসু দুপ্লিকেট
নুংশিনবসু দুপ্লিকেট,
য়ূম্বানবসু দুপ্লিকেট।

ঙসিগী দুপ্লিকেট কুন্মৈদা
হয়েংগী ইরমদম কমদৌবা?
পোলিটিকেল পার্টিসু দুপ্লিকেট
ৱার্করশিংসু দুপ্লিকেট
চোঙথোক-চোঙশিনসু দুপ্লিকেট
মতৈ-মনাওসু দুপ্লিকেট, মরী-মতাসু দুপ্লিকেট
ওরিজিনেলগা শাগোন্নরিবা লায়রবশিং
ক্লারম ফানবা হোৎনবদা শরু শয়াং কেম্লক্লে
ওক্লে-পেল্লে দুপ্লিকেট।

# থোক্লকখিনি থাজদি

## (পুন্সি হায়বসি নোংদম্বগী চাংয়েংফম্মি হায়রিবী অইবী অমা)




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | থোক্লকখিনি থাজদি |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ | আর কে সনাহনবী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৪ |
| অফোঙবা | ঃ | ইমাখোল |

**ৱারীমচাদি** নুংশিব্রা হংনদে, ফজব্রা হংনৈ। মসিনা তাক্লিবদি থিম অদুদগী খূৎলাম্থোক্লা হেন্না মরু ওই হায়বনি। ৱারীমচাদি ফেক্ট (Fact) নত্তে, ফিক্সন (Fiction) নি। অদুনা থৌদোক অমবু থোকখিবদুদা ইরবদি ৱারীমচা ওইররোই, পাউদম ওনখ্রগনি। অদুনা থৌদোক অদুদা কল্পনা হাপচিল্লগা ফিক্সন (Fiction) ওন্থোক্কদবনি। মদুবুনি ক্রাফ্টসমেনশিপ (Craftsmanship) হায়রিবসি। শম্না হায়রবদা ৱারীমচা ইবা হায়বসি মিত্রং শান্নবনি, করিসু নত্তবদু খূৎশেম্না ফজহনগদৌরিবনি। অদুগা ৱারীমচাগী খ্বাইদগী লুবা মতাংদি হেক পাবা লোইবদা অপাবদুনা খল্লগা লৈহৌগদবা অফটর-ইফেক্ট (after-effect) অদুনি। হায়নবা লৈ, ৱারীমচাদি লোইনা ইথোকপা য়াদে, অপাবগী তঞ্চায় অমা খাক্লমগদবনি। ফোঙদোক্তবা তঞ্চায় অদুসু ৱারীমচা অদুগী শরুক অমনি। ৱারীমচাদা অপাবশিংবু পাউতাক পীরম্বা য়াদে। মশানা খঞ্জহৌগদবনি। কয়াদা লুখ্রবা খূৎই অমনো।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরম্বগী মরমদি আর কে সনাহনবীগী তরেৎশুবা লাইরিক 'থোক্লকখিনি থাজদি' হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিকসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলদুনি। আর কে সনাহনবী অমুক নৌনা মশক তাক্লুদ্রবসু য়ারে। ঐখোয়গী খোরিরোলদা য়াম্না ঈচঙ থৌনা চঙশিল্লক্লিবী চনুরা অমনি। মানা ইরি শৈরেং, ৱারেং অমদি ৱারীমচা। ঈশৈ ময়েক ইবদসু রেডিওগী শকখঙলবী ময়েক ইবীনি। মশাগী লাইরিক ৭/৮ পুথোকখ্রবী শিংথাবা য়ারবী অইবী অমনি। মাবু ঐখোয়না য়েংলিবনি, হুন্দক করি ইরক্কনি। ইরকপসু অদুম পাবা য়াই, থোইদোক্লুদ্রবসু। পূন্না য়েংবা তারবদি মঙোন্দা য়াওরিবা লৈবাক নীংবগী, নুপী খুন্নাইবু চিংখৎনীংবগী অমদি ঐখোয়গী চৎনবীবু লুনা লৌজবগী মিহুন হুনবা অসিনি। মাবু তরাম্না ওকপিফম থোকই।

ঙসি পায়খৎচরিবা মাগী ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা ৱারীমচা ১৯ য়াওরি। হোয়, লোইনমক ৱারীমচা কৌগদ্রা হায়বদুদি ৱাহং অমা লৈরি। ৱারীমচা পিকত্রু নৎত্রগা ৱারীমচা ককনাউ হায়গদ্রা খরসু য়াওরি। থিমদি শুরে, নুপীমচা অমনা খুন্নাইসিদা থেংনরিবা হিরম অয়াম্বা শোক্লে। নুংশি মৈচাক পুবা ৱারীদগীনা ময়াং সিফাইনা মাঙথোকপীরবী নৎত্রগা মরাল লৈতনা হাত্তোকপীখ্রবী মচা-মৱাগী মৈচাক পুবা ঙমদবদগী অঙাওবী ওইখ্রবী কনাগী ৱারীফাও য়াওরে। লোইনা পাবা য়াই, অদুবু ঐনা ৱাহৌদোক্তা পঞ্জবা অদুগুম, ৱারীমচাগী তিং লাউবা মমূ অদুদি য়ুহনবা ঙমদ্রি। অপাবশিংবু চিংদুনা পুগদবা সস্পেন্স থম্বা হায়বদুসু খরা শোন্তক তারি। লোৎলগা পুবা ঙমদ্রি, অইবখক্তনা উবা পোলোই তাল্লকপগী অরোন-অথুপ ঙন্তা হেক কাঙথোকপা য়াওরি। অদুবু সনাহনবীগী নুংদা ফুল্লিবা ওমচাক্লবা ঈথিল কয়াদুদি তেংনা ফোঙদোকপদি ঙল্লে। ৱারী লীবগী পকচবা য়াওরে। ফিদম্লু ওন্থোক্লা লুনা লৌজরে হায়বদুদি ৱারীমচা খরনা মাগী মায়কৈদা লেপ্লে।

হেক্তা য়েংবা য়াই, মাগী অহানবা ৱারীমচা, 'ওলাং মৈশারক্তা মৈরী'। মমিং অসিমক্লা হেক্তা পাহন্নিংবা পোক্লে। Donald Maconochie না হায়রম্বা "Keep the title in its proportion to the nature and interest of the story" হায়বদুমক থোকই। ওলাং মৈশারক্তা অমুক্লা মৈরী ফংলবদি করি ওইফম থোকই। অদুবু পারুবদা খঙই, কয়াদা চূনরমখ্রবা মমিংসিমক। কয়াদা ফজবা লমচৎ অমা য়েক্লিবা অইবীনা। লৈ অমখক্কী, উ পান্বী অমখক্কী ৱাজবী থমোয় অমা থেংনহল্লি। মদুসু মরম চানা। লৈ ঈশিং চাইহৌদবগী ৱাজবী য়ূমগী মৌ অমনা অহিংদা লৈফম খঙদবা উৎপা ফজখ্রে। অপাবশিং মিৎ কুপ্তনা থম্বা ঙম্মী। অদুগী মথক্তা অমুক মীনুংশি হাপ্পা ঙম্মী। অমতা পোকচবী, লাইথোং শুনা খূরুম্লুরগা ফংজবী মচানুপীদু খাঙঙুথক্তা থৎপীখ্রবী, মচাগী ফোটোদু ফক্লাংদা উরকই, মৈ হেক লাকপদা। অদুদগীদি লৈগী ৱারন্বীদু মচাগী মৈচাক নৌহৌনা ফাওরকই। লৈগা মচাগা অমত্তা ওইখি। নোংঙানবা ঙাইবা ৱাখি। অপাবশিংবু মৈচাক পীরম্লগা লোইশিনখি। ফজদে হায়বা ঙমদে।

হেক ফজবা ৱারীমচা অমগা খল্লু হায়রবদি, 'লোইশিনখিদ্রবা শৈরেং' হায়বসি খনবা তাই। ৱারী খূৎলি, প্লোট ফজখ্রে। শৈরেংইবী অমগী মচৎ চুম্না য়েক্লি। অহীং মিৎকপ থোক্লকপদা শৈরেং লাইরেম্বীনা থৌজানবীরক্তুনা ফূক হৌগৎপা, মৈ চুখৎতুনা চে-কলম পায়বা, শৈরেংদু খোৎচিনবা লাক্লবা ওন্থোক্লা রিয়েলিটি তাখ্রে। অদুবু ফোন অমা লাক্তুনা মঙলান কায়খ্রে। ফোন অদুনা অমুক্লা হেন্না মৈচাক পীরকই। শৈরেং ইরিবীদুগী লাইবক্লা নাথৈখ্রবা, মাগী খনবদা নোংমতা নোকচদ্রবী, নুপাদুনসু মাগীদমক পুন্সিদা মৈচাক পুরিবা, অহল-লমন্না লুহোংবীরিবা নুপী অদুনা ঈশৌ লাংমন্দুনা ৱাখল নুংঙাইতনা কার থৌবদা এক্সিদেন্ট থোকপদা শিবা চঙবগী লানফমদা লায়েংশঙদা লৈরিবা মাগী নুংশিজবা অদুগী পাউ পীরকপা ওইরল্লে। নুপাদু অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে। কয়াদা ৱাখ্রবা পাউনো। ফজরিবনা অইবীনা শীজিন্নরিবা ফ্লাস বেক টেক্নিক অসিনি। লোইনা নীংশিংলকই- নুংশিনরিঙৈ কয়াদা নক্লখিবা। ডাক্তর তম্বগী চহী ৭ ঙাইরবা তুং, পন্থুং য়ৌরনি খঞ্জরবা মতম, লাইবক্লা নাথৈখিদুনা নুপাদুগী অহল-লমন্না অহেনবা পান্বদগী অতোপ্পা অমা লুহোংবিখিবা। নুংশিবগীদমক য়াইফনবা খনবদা নুংশিবদুনা মাগীদমক লেপ্লবসু হোয় হায়জখিদ্রবী শৈরেং ইবীদুনা অহীংদুদা পাউদু ফংবদা কয়াদা থমোয় কায়খিবা। অপাবশিং স্বর হোনবা কাউহনবা ঙম্মী।

লাইরিক্কী মমিং পুরিবা, 'থোক্লকখিনি থাজদি' হায়বা ৱারীমচা অসিদনা নুপী অমনা থমোয় কয়াম চেৎপা ঙম্বগে হায়বদু উৎলি। লমচৎতি ইশানা ঙাকচগদবনি হায়বদু তাক্লি। ঙসিগী খুন্নাইসিদা নুপানা নুপীবু হন্থনা য়েংলে হায়নরিবসি সনাহনবীনা মায়কৈ অমগা তাক্লি। নুপীনা নুপীবুসু অরানবা মিৎয়েংনা অদুম য়েংনৈ। ইচম চম্না রিসার্চ তৌজরিবী ছাত্রী অমবু মাগী ওজাদুগী নুপীনা লান্না য়েংলকপদগী থোক্লকপা ক্রাইসীস অমা য়েক্লবা হোৎনরি অইবীনা। নুপীগী থমোয়দি নুপীনা হেন্না খঙফম থোকপনি। অদুবু খঙবীদবা লৈ। মদু ফত্তে উৎলি ৱারীমচাসিদা। অদুবু অচুম্বগী মাঙদা কনাসু লেপ্পা ঙল্লোই। লৈচিন্না ফনা কূপশিন্দুনসু লৈচিন হেক মাঙখিবদা থাজ অদুম থোক্লকখিনি। থাজবু লৈচিন্না কয়াম কুইনা কূপশিনগনি হায়রি। ফজৈ হায়নীংঙি। ৱারী খূৎলিদা খরা শোন্তক তারবসু।

'তস কমদৌই' হায়বসিনা সনাহনবীগী অৱাবা মরক্তা ঙাইহাক নোক্লবা, পোত্থানবা শেমগৎপা ৱারীমচানি। মতমসিগী চনুরাশিংদা লৌশিং অমা তাক্লম্বনি। নুপানা ফনা মমায় ঙাওরসু নুপীনবু শান্নগে হায়রবদি য়াই হায়বদু উৎলি। কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা ওন্থোক্লা ফজখ্রে। মরেং মমান্নবসু নত্তবা, মতু মচা লৈরবা শৈশকপদুদা নঙগী ঈশৈদু ফজৈ, ঙাওজৈ হায়রুবগী দশানি। ফজরিবদি নুপীমচাদুনা শান্নরিবা লীলাদুনি। সিনেমা হেক য়েংমিন্নবা হৌরকপদা ময়ূমদগী ফোন লাকই। পূং ২ ফম্মিন্নদুনা নুংঙাইরনি খঞ্জবা নুপাদুগী আশা কায়খি, য়ূমগী অরুবা ৱা ওইরম্মনি হায়দুনা নুপীদু চৎখিবা, হেক পেল্লি পাবদা। ফজৈ, অদুবু হেন্না ফজগদবদা ফোনদু নুপীমচাদুনা শীল্লন্নগা মনম্মনা তৌরকপনি হায়বদু ঙন্না তাকথোকপদুদি ঙনমল্লি। অদুগা পোলোইদা নুপাদুদা মানা শান্নবা ঙাক্তনি হায়না নুপীমচাদুনা খঙহনখিদবদুসু খজিক পেলহৌদে। মদুদং তাক্লম্লবদি অপাবশিংসু হেক্তা পেল্লমগদবনি। অদুবু রিএলিটিদি তাই। ফজৈ ৱারীমচাসিসু।

লোইশিল্লকপদা পন্দবা ঙমদবা ৱারীমচা অমদি অরোইবা ৱারীমচা 'ঙাওরসু ঙাওস্নানি' হায়বা অসিনি। মসিদা সনাহনবীনা উৎলি, লৈবাকমচা তাবা এম এল এ অমগী শক্তম। খুন্নাইসিগী ওন্থোক্লা পান্নরিবা লমচৎনি। লৈঙাক মপুদা পীবা শাফুনি। অফবা এম এল এ লৈরক্তবা মতমসিদা মসিনা পাউতাক ওইহৌরনি।

অতৈসু লৈরি পাউদমগদবা। অদুবু মফমসিদা য়ারোইদৌরে। লোইশিল্লকপদা হায়নীংবা অমতংদি সনাহনবীনা লোনয়ান য়াওদনবা হোৎনবদা মশাগী লোনশেম কয়া হাপচিল্লকপসিনা পাবদা খক খক পল্লি। ফোটোবু মমি শক্তম, ছাটিনবু পে, রেন কোটপু নোংখন ফুরিৎ অসিনচিংবা কয়ানি। অদুগী মথক্তা ৱারীমচা ২/৩ দা চপ মান্নবা খোন্দা মাগী নুপাবু নুপীশিংদুনা 'ইচৌ' লোইনা কৌহনবসি রিয়েলিটি তাল্লকপদা নুংঙাইতবা ফাওই। তোঙান তোঙানবা ৱাহৈ শীজিন্নহন্নিংঙি। অদু ফনা ওইদুনসু লাইরিকসি মায় পাকপা অমদি ওইরনি।

হন্দোকপা

# 'অহোংবা কাইকুপ ফি'

### অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারীমচাগী লাইরিক 'কান্টি কা কফন' দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

"**করিবু** হায়রুনি ওজা ইবুংঙো, ঐগী ইয়ূমদা ইরমদমদা লৈনিংদববু কনা লৈবগেনে। মফমসিদা থবক শুবা লাক্লিবসি করিদি উপায় লৈ- "বিহারদদি খূৎশুমলসি শুপ্নতংগী লুপা তরা-তরামঙাদগী হেন্না ফংদে। অঙাং তরুকনি, য়ূম্লুবিসু নাদুনতা লৈ। ডাক্তরশিংনা হায়বদা অজমানি হায়। ঐনা চহী চুপ্পা য়ূমগী মপান্দা লৈরে, মফমসিদা থবক শুরিবসিনি। থা তরুক-তরুক লৈরগা য়ূমদা পৈশা থাই। অসুম্না হিংনরিবনি।"

"এ জোগেশ্বর! ঐগী ইমিং অমর কৌই। নঙনা ওজা কৌরিদো ঐ শাউনীংই। রিক্সা থৌবদসু ওজা, ফুরিৎ তুবদসু ওজা, ষ্টেসন মাষ্টরদসু ওজা... ওজা ওজা কৌবসে ঐ য়াম্না শাউনীংই। নঙনা ঐবু অমর কৌকো, ঐগী ইমিং অমর কৌই।" "ফরে অদুদি অমর বাবু। ঐখোয়বু তাকপী তম্বীবা মীবুসু ওজা কৌই, অদুবু নঙনা য়ানীংদ্রবদি ঐনা নঙবু অমর বাবু অদুমক কৌগনি।" "ফরে, মিঙ্গৌগী ৱাসি তোক্লসি। মমাঙ চহীদা দিৱালিগী মতমদা ঐ য়ূমদা চৎলুই, ঐগী থবক শুফমদগী মপুনা ককপা য়াবা ককহৌরগা শুপ্ন তংগী লুপা লিশীং অনী পীরকই। মফমসিদগী জৌনপুর য়ৌরগা ঐগী য়ূম গৌঞ্জ খুঙ্গং য়ৌরে। য়ূমগী দরি হেক কাখৎকে তৌবদা জমীন্দারগী লীচৈ পায়বা মীশিংনা দারিদা চৈনা থোল্লদুনা হায়রকই - "চৎলো, জমীন্দার বাবুনা কৌরি।" চত্তনবা ফন কন্না হোৎনৈ, অদুবু চৈনসু অনীরক কল্লম্লে অদুগা লুপা লিশীং অনীদুসু নমদুনা লৌখ্রে। ঐগী লোয়নবীনা ঐগী অশোকপা অমদি ঐনা কপ্তুনা লৈবদু উবদা তিংদম ৱান্থখরে। কোক্কী অশোকপদুদা য়াইঙংগা থাউগা তোৎতুনা থোল্লগা পুনশিল্লে। নামৈশেল ওইনা লুপা য়াঙ্খেদং লোৎশিলহৌবদুনা দিৱালি পাঙথোক্লে। ঐগী ৱাদি তোকখিসি ওজা ইবুংঙো, নত্তে-নত্তে অমর বাবু ঐগী ইচাশিংনা ঙসি ফাওবদা বম্বুলা অমত্তং ফাওবা থাদ্রি। ঐনা ইচাশিংদা - "বম্বুলা থারগা করি তৌগে হায়রিবনো? বম্বুলাগী মখোল অমদি মৈখুসিনা নুংশিৎ মোৎশিনহল্লি। নখোয়গী নমাসি ফত্তবা নুংশিৎনা মরম ওইদুনা নারিবনি। অঙাংশিংগী নিংঙাইদি অমা নৎত্রগা অমদা থৈদোকখিবা অদুবু ঐগী য়ূম্বুবীগী থম্মোয়দি মচেৎ-মচেৎ কায়রে। মৈরি থোক্তনা চাক্লে, ফীভমসি ঐগীসুনি...বাবু।"

অদুবু জোগেশ্বর ... ঐনা সুম উবদা নঙসি মরক-মরক্তা য়ু কা হেন্না থকই, ঐগী কাগী মপাদা য়াম্না লাংই। মতমদুদা ঐনা শাউনীংবসিদি, মসিগী জোগেশ্বরসিনা নুমিৎ চুপ্পা অমা শুবমখৈ শুরগা... মরক্তা থৎলদুনা হায়রকই - অমর বাবু! মদুগী মরমসু লৈ, করিনো হায়বদা য়ূমদগী চিঠি হেক লাকপা, ইরকই - "বন্নো সিসু চাউশিল্লক্লে, ময়ূম মকৈ পালহন্নবা হোৎনবা য়ারে। য়ূমদা চানবসু লৈশিল্লক্ত্রে, হরাউ-কুম্মৈগী পৈশা খরা থারকউ। ঐগী লাইহৌদু খরা হন্থরে। ঙরাংদি জমীন্দারগী লৌবুক্তা চৎলুই, রমলা, বন্নো অমদি ঐ থবক শুরুই, মদুনা চরা ফাওবদি হেন্দ্রে। পূন্নমক ফরি, ঐগী মরমদা পংখন খল্লুনু, নঙগী নশা-নউ ফনবা খরা খল্লু। - মসিদদি ওজা ইবুংঙো, হায়ফম খঙদনা নুংঙাইতে। মদুদগীদি য়ু থকচিল্লগা অৱাবা খরা কাউনবা হোৎনবনি। অদুবু য়ুথিবোংসি থক্লুবদগীদি অৱাবসি অমুক্কা হেনগৎহল্লি। থম্মোয়নদি হায়বগুম তৌই - থকউ, থকউ। অদুবু য়ুগী নিশা হন্থরকপা মতমদদি ইচাশিংগী ঈ থকপগুম খল্লি। লৈঙাক্লা হায়- "অঙাং অনীদগী হেনগনু" - হৌজিক্তদা ৱাখল তারক্লে। অৱাৎপনা হেঞ্জিল্লক্লবনিনা লম বীঘা তরাখক লৈজবদুসু জমীন্দারদা বন্ধোপ থম্বদা তাখ্রে অদুগা ঐগী য়ূম্বুবীসু নাবা ফবা কৌবা লৈতে। পৈশা পূম্বা মাগী অনা লায়েংদা চঙখ্রে। হৌজিক্তি চঙজফম হায়ববু শুপ্নতংগী কা অনীগী অপীকপা য়ূম অমখক অদুগা ... অতৈদি লৈতবা লায়রবা অদুগা ইচাশিংগী তঙাইফদবশিং।

অমর বাবু নখোয়দি লৈঙাক্কী থবক তৌবনিনা করিসু ৱাদে। শোয়দবা তলব লাক্লি। য়ূমদা থাগী তলব পুদুনা চৎলবদি ইতৈমা-ইবেম্মনা করিগী হরাউরোইদৌরিবনো। ঐখোয়না খঙই নঙদি অফবা মীনি, য়ুসু থক্তে। দলান অমনবসিদা ঐখোয়গুম্বা মীগা লৈমিন্নরবসু য়ু থক্তে। ঐ তুমিন্না জোগেশ্বরগী ৱারী তারি। মমাঙগী চহীদা ঐগী খুঙ্গংদগী লাপ্পা সহরসিদা ট্রান্সফর লাকপনি। খল্লি, হুন্দক্কী চহীদা জোগেশ্বরনা খুঙ্গংদা চৎপা মতমদদি শোয়দনা নুংঙাইনা দিৱারী পাঙথোকপা ঙমগনি। খন্না-খন্না করম্বা মতমদা তূমথখিবনো খঙদে। অয়ূক্তা জোগেশ্বরনা থোঙ থিল্লকপদগী মীকপ থোক্লে, ঘড়ী য়েংলুবদা অয়ূক্কী পূং ৮ তারল্লে, ঙসিদি স্কুল য়ৌবদা খরা থেংলনি।

স্কুল চৎনবা থৌরাং তৌরে, করিমত্তা চাবা থকপা তৌদনা থোক্লে তৌরকপা মতমদুদা জোগেশ্বরনা কিরুপ-কিরুপ তৌনা হায়রকই - "ওজা... অমর বাবু... ঐদি য়ূমসি দিৱালীদা ওইনা চৎকে তৌরম্বনি। অদুবু য়ূম্বুনা ঙসি অয়ূক পাউসি পীরকপনি - "নঙগী য়ূম্বুবীদু লৈখিদ্রে... পৈশাসি লৌরো ... য়ূমদা চৎলো ... অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লুরো।" ঐনা ফুরিৎ খাউদগী লুপা চনি লৌথোক্লগা পী মতমদুদা মানা হায়রকই - 'ওজা ইবুংঙো, নহাকসু দিৱালীদা য়ূম চৎকদৌরিবা নৎত্রা। অঙাংশিংগী অহাও-অথুম, শান্নপোৎ ... কাইকুপ ফিদি হোংইদা ... য়ারে।